ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, জুলাই ১৬, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ১১১শুবা মশীং

## কোভিদ লোৎশিন্নবা য়াওরিব্রা

### মীয়াম হুপ্না ৱাখল তাদ্রিবা ফাওবা য়াখিরোই

নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) পেন্দমিককী অহানবা ৱেভ থেংনখ্রে। হৌজিক ফর্ষ্ট ৱেভতুদগী হেন্না কনশিনবা সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লরি। মায়োক্লরিবা অনীশুবা ৱেভসিদগী ব্লেক, য়েল্লো, হ্বাইট ফঙ্গস হায়না খঙনবা ম্যুকোরমাইকোসিসকী অনৌবা চৈথেংগী মথেল অমা হাপচিল্লক্লি। কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেসশিংগী মনুংদা দেল্টা ভেরিএন্টশিং ওইরম্বগী চাংসু হেঙ্গৎলক্লি। পূন্নমকসিগী মথক্তা থর্দ ৱেভ অমসু লাক্কনি হায়রি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা, মীয়াম্না, মীয়ামগী লূপশিংনা অরৈবা পান্বেশিং পুথোক্তুনা খূৎশম্ননা পেন্দমিক অসিগী মায়োক্তা খ্বাইদগী অকনবা লান শোক্লরক্লগসু মায় পাকপগী খোঙথাংলোমদদি য়ৌহন্নীংবা থাক্তু য়ৌনা চঙশিনবা ঙমদ্রি। মসিবু করিগীনো? হোৎনজমনগী কান্নবা করিমত্তা ফংদ্রে হায়বদি নত্তে। হুমাং মমল লেম্না মাঙবদি নৎত্রি। অদুবু কোঞ্জেং কোকফাইনা নোম্বমখৈ নোম্নগা মনঙ্গলদা মরূম থুই হায়বদুগী ফীভমদা অদুম্মক লৈরি হায়বনি। মণিপুরনা তমথীরবা লায়নাসিগী শাথীরবা লাইচৎসি মুখুৎনবা শোক্লরকপা লাল্লকসিদা পুং ২৪গী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না জুলাই ১৪, ২০২১দা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১১০৪ থেংনখ্রে। জুলাই ১৩, ২০২১দা লায়নাসিনা মরম ওইদুনা মীওই ২২ লৈখিদবা অদুদগী খরা হন্থরকখ্রবসু খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা পোজিটিভ কেসশিং থেংনখিবা নুমিৎসিদসু মীওই ১৭কী পুন্সি মাঙখি। ওইরক্লিবা ফীভমসিদি অসুক য়াম্না অমসুং অসি য়ৌনা হোৎনরক্লিবা পূন্নমক অসিগী ফংফম থোকপা মহয় নত্তে, ওন্ন-তৈনবনি। মসিগী মরম ময়াম লৈরমগনি। মরম লৈতনদি ফীভমসি হেক্তা চোংথোরকপা, চোঙখৎলক্তুনা ওইহল্লকপা য়ারোই হায়বনি। মরমশিং অসিগী মনুংদা মীয়াম মরক্তা টেষ্টসু তৌজরোই, হীদাকসু কাপচরোই হায়বা মীওইশিং হৌজিক ফাওবা য়াওরি হায়বসিমদি ১০০দা ১০০ চুম্লবা ৱাফম ওইগনি। মরমদি নোংমদা থেংনরকপা অনৌবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং য়াম্না নেম্লুরবা মতুং জুলাই ১০দগী য়ূমথোঙগী ওইনা মীওই ২/২ খক লৌখৎতুনা টেষ্ট তৌবা হৌরকপদগী থেংনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং লিশীংগী মথক্তা হাইগৎলক্লে। থেংনরক্লিবা অয়াম্বা মশীংসি থেংনদ্রিঙৈদনা করম তৌরমগদবা? হেক্তা বোম তুনা নারক্ত্রিবা মখৈ, হৌগৎ-কাংখৎপা ঙল্লক্তবা মতমদতা লায়েংশঙদা চৎপগী হৈনবী অমসু লমদমসিগী মীয়ামগী লুদা-তোংদা পক্তুনা লৈরক্লি হায়বসিমসু অচুম্বা ৱাফমনি। মসিনদি হৌজিক ফাওবদা তমথীরবা, মীওই ১৩০০ হেনবগী মমল য়াম্লবা থৱায়শিং মাঙহনখ্রবা ফাওবদা হায়দোক-কাংথোক্লদনা, লোৎশিন্দুনা থম্নবা য়াওরি হায়বনি। গভর্ণমেন্টনসু মসি খঙবদগী য়ূমথোঙ য়ৈনা টেষ্ট তৌনবগী স্পেসল দ্রাইভ চত্থবা হৌরক্লিবনি। অশেংবা অচুম্বা ৱাফমদা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিগীদমক টেষ্ট তৌবা মীওইশিংগী ফংবা রিজল্টকী মশীং লাখ ১০ য়ৌদ্রি। ফিগরসি জুলাই ১৪, ২০২১দা নুমিৎসি ফাওবগী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্ননি। অদুগা নুমিৎসি ফাওবদা ভেক্সিনেসন তৌরবা মীওইশিংগী অপূনবা মীশিংসু লাখ ১০ য়ৌবা ঙমদ্রি। ফীভমশিংসি মীপূম তিংনা ৱাখল তানদবদগী ওইহল্লকপসু মসিগী মরমশিংগী মনুংদা অমা শোয়দনা ওইগনি। অদুনা লমদমসিগী মীয়াম পূন্নমক অমত্তা চিত্থদনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙবীরো। হান্নদগী খঙদুনা লাক্লবশিংনসু নৌহৌননা নীংশিংনবিরো। মসিগা লোয়ননা লায়নাসিদগী ঙাকথোক্তুনা থৱায়শিং কলহৌনবগীদমক মাঙদা হৌজিক তারিবা পান্বেশিং অসি পন্থদনা শীজিন্নবিরো হায়জনীংই। মতম হৌখ্রগা, থেংথখ্রগা মৈরৌ হেঞ্জিনখিদুনা হেন্না শাথীবা ফীভমশিংনা লাঙ্গোই চল্লক্কনি। মতম খরগী মমাঙদা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী লৈফমদা চুম্নতগী কন্টেনমেন্ট জোন খক্তমক  হায়দুনা অথিংবশিং চৎনহল্লম্বগী মথক্তা হৌজিক্তি মাইক্রো কন্টেনমেন্ট জোন হায়বা ৱাহৈ ৱাতাশিং শীজিন্নদুনা চেকশিন থৌরাং হেন্না কনশিলহল্লক্লবনি কাউহন্নীংদে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২২

১) কুমজা ১৯৫৪দা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা ***'জাৎ ওনবা'*** হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

২) ***''থমজরম্লে থৱায়গী থৱায়/পামজবদা পীথোক্লম্লে/শেমজরম্লে তুরেলগী কাওশীং/ঈচেলনুংদা শিন্নরম্লে।/অসি য়ৌনা লাইবকথীরবী/তোৰ্বান ৱাংমা য়ৌজরগে।''*** ঈশৈ শৈরেং মতেকসি কনানা ইবনো অমদি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৩) গ্যানপিথ এৱার্দ ফংলবা গুরদিয়াল সিংহগী ***''মারহি দা দীভা''*** হায়বা লাইরিকসি মীতৈলোন্দা করি হায়না থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ***''চীংথঙখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপা''*** হায়বসি কনানা লেংবনো?

৫) কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়দা ইন্টরমেদিএট আর্টসতা তম্নবা অহানবা মণিপুরী শৈরেংগী টেক্স বুক ওইখিবদু করি লাইরিকনো, কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২১গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) খুরাইজম বিদ্যালক্ষ্মি, য়ুরেম্বম ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)
২) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৩,৪,৫)
৩) ইবোচৌবা কোন্থৌজম, শগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক - (১,২,৩,৪)
৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৫) মৈস্নাম রাহুল, হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৬) সী ঐচ সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল বজার - (১,২,৩,৪)
৭) কে মেমি, ময়াং ইম্ফাল বজার - (১,২,৩,৪)
৮) সোইবম সুকুমার, মালোম বজার - (১,২,৩,৪)
৯) তোংব্রম সুনিতা, লুৱাংশংবম অৱাং লৈকায় - ১,২,৩,৪)
১০) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
১১) সুনন্দ তৌরাংবম, উরিপোক তোংব্রম লৈকায় - (১,২,৩,৪)
১২) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
১৩) ব্রোজেন্দ্রো সোরোখাইবম, ইরমসিফাই মমাঙ লৈকায় - (২,৩,৪,৫)
১৪) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,২,৩,৪,৫)
১৫) ইবোমচা ওইনাম, শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক - (১,২,৩,৪)
***১৬) য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***
১৭) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,২,৩,৪)
১৮) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (১,২,৩,৪)
১৯) ৱাঙ্খেমযূম সুপ্রিয়া, ময়াং ইম্ফাল বজার - (১,২,৩,৪)
২০) দোনেশ্বরি থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেঞ্জোর মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
২১) সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেঞ্জোর মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
২২) য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১, ২, ৩, ৪, ৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২১গী ৱিন্নর*

***য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)***

**হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা লিটরেরি ক্যুইজ ২১গী অহানবা মনা ফংলবা মীওই অদুগী মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা শেলগী মনা অসি হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২১গী পাউখুম

১) ***'ৱাখল মচু-মচু, শক্তম মখল-মখল'*** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?
*:- আর কে বিদুর।*

২) ***'পুন্সিগী মরুদ্যান'*** হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?
*:- উপন্যাসনি। অইবনা অরাম্বম বীরেননি।*

৩) ***'খোঙজি মখোল'*** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো? *:- নিংঙোম্বম সুনিতা।*

৪) ***'সুরজকা সাতৱাঁ ঘোড়া'*** হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং হায়না কনানা হন্দোকপগে?
*:- নুমিৎকী তরেৎশুবা শগোল হায়না অরিবম কুমার শর্ম্মনা মণিপুরীদা হন্দোকই।*

৫) ***''হৈরেম চা নুরা অতেংবী, লাইজ ঈদা শিবিয়ু মপান্না কোরৌ নুমিৎ মাপন্নি শুনা থিববু থিখঙদরবদা কোরৌ নুমিৎ তরানি শুবদা খোয়নৌ মতা ঙাইরোইনাইনা তাকলৈএ; অদু নোংগীবু হৈরেম লৈমতাকও তৌনা কৌএ।''*** ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো? *:- চায়নরোল হায়বা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি।*

# পন্নীংদ্রসু পন্নখিবদি তারি কোরোনা, কোভিদ-১৯

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

মণিপুরদা কোরোনাভাইরসকী ৱাফমসি অমুক হন্না পন্নীংদ্রবা ৱাফমনি। অদুবু, পন্নীংদ্রে হায়রগসু, নুমিৎ খুদিংগী হামু-হামু অদুম্মক, মতম খরদি পন্নদবা ইয়ামক য়াখিরোইদৌরি। ৱাফমসিদি লায়বু লায়রি, কোরোনা ভাইরসকা ঐখোয় মীওইবগবু লোয়ননা অদুম্মক চৎমিন্নরদৌনি হায়রিসিনি। সিদসু নৎত্রি, ঐখোয়গা পুন্সি চূপ্পগী ওইনা অদুম্মক হিংমিন্নরদৌনি হায়বা ৱাহৈ অমসু য়াওরিসিনি। ফীভমশিংসিনি লুরিসি। ঙসিগী মীয়াম্নসু তাবদা খ্বাইদগী হেন্না মরিং-মরাংবা ফাওনরমগনি। অদুবু ৱাফমসিমক্তি, হৌজিক-হৌজিকমক ওইরিবা মণিপুরগী কোরোনাভাইরস লাইচৎকী মওংসি য়েংলগা হায়বা শোয়দনা ওইরমগনি। চুমদে হায়রুবসু য়াখিরোই, তশেংনা চুম্লবরা হায়রসু, হোয় হায়বদি হেক্তা ঙম্লোইদৌরিবনি। তৌবদি, লাইচৎসিনা মখা শাংথনা সুম চত্থরক্লবদি, কোরোনাগা নক্নরবসু নক্কনা, থেংন-শোক্নদনা চৎপা হৈনবা তম্বা অমদি তারকই। খঙদ্রেদা, ৱাসি পুমচুম্মক চুম্লবসু, ঙাঙথোকপদদি হেক্তা লোইনা ঙাঙথোকপা য়াদবশিংসু অদুম লৈ। কদাইদগী ৱানো, কোরোনাগী মহীক্তা তাইবঙ মীওইবগা পূন্না হিংমিন্নরনি হায়রিসিবু? চৎনবা য়াগদৌ পোৎ নত্তেদা। "চৎখিবসু নাইদবা, হনখিবসু লৈতবা, অহৌবা কাউরক্ল ফাওবদসু অরোইবা মশক উগে ফংদ্রিবা" মরমচৎ অসুক তোঙানবা পোৎশকসিগবু মীওইবা ঐখোয়গা মতৌ করম্না চান্ন-চিন্নরুগদৌরিবনো? মতম শুদবগী চাওজরিবা হায়দুনি, মতম শুরক্লদি কৈসু য়ারক্লোই। অদুবু, লুরিবদি য়ুরোপ মহাদেশকী লৈবাকশিংদা কোরোনাগী অনৌবা শক্লোন অমমুক নৌহৌনা থোক্লকপা হৌরেসু হায়নরি। মসিনা অমুক কদাই ফাওবা মপাঙ্গল কল্লমদৌরিবা? উম, কল্লমগনি খল্লি। মাগী মপাউদি মহৌশানা হেক্তমক চুমগনবনি। অফবগীদদি খঙদে, ফত্তবগীদদি মাবু মায়থীবা পীবীনবা কনাসু লৈত্রি মালেম ফম্বাকথকসিদা।

কোরোনাভাইরস নৎত্রগা কোভিদ-১৯ হায়বা মহীক মখলসিগী মরমদা ঙসি, মালেমসিগী অখঙ-অহৈ কয়ামুক্তা থিজিনবা য়াবা থিজিন্দুনা অমসুং খঙদোকপা য়াবা খঙদোক্তুনা হোৎনরবসু, কোভিদ-১৯গী মরমদা তশেংনা খঙদোকপা শুকঙম-ঙমদ্রিবা ৱাফম কয়ামরুম অমদি শোয়দনা লৈ হায়রিবসিনি। মীওইবগী ব্লদ গ্রুপ খেন্নবগী মতুংইন্না ভাইরস মখলসিনা মীওইবগী হকচাংদা চঙলকপদা, অপাম-পামদশিং খায়বগী মওং খরসু লৈব্রা হায়বসিসু ৱাফম অমনি। ৱাফমসিমা মালেমগী থিজিল্লোয় খরনা থিজিনবদা হায়রিবা থৌদৌশিংসি চপ চানা থোক্লম্বা য়াবগী ফীভমশিংসু ফোঙদোক্লখিবা লৈখ্রবনি। ব্লদ গ্রুপ খেন্নবগী মতুংইন্না তুমিৎ-কাঙশিং অমদি তিনফা-কাকফৈনচিংবশিংনা হেন্না পাম্বা অমসুং পামদবশিং খায়বগুম, কোভিদ-১৯ মহীকসিনসু খরা হেন্না পামজবা নৎত্রগা খোয়দাজদবা ব্লদ গ্রুপশিং খায়দোক্লম্বা য়াই। ৱাফমসিগী মতাংদা অমেরিকান য়ুনিভর্সিটি অমগী থিজিল্লোয়শিংনা থিজিনবদা মাঙজৌননা খঙবা ঙম্লে হায়খিবসু লৈখ্রবনি। কোভিদ-১৯না মথ্বায়না তাজবা ব্লদ গ্রুপশিংগী মমিং ফাওবসু পন্নখ্রবনি। ৱাফমসি ফনা য়াম্না চুম্নে হায়বগী পাউদমশিংসু ফোঙদোক্লবা অদুম থেংনখি। করিগুম্বদা, হীরমসিদা তশেংনা নৈনবদা, কোরোনাভাইরস লায়না লায়েংবদা কান্নগদবা মচাকশিংগা মরী লৈননা থেংনবশিং য়াওরবদি, থৌদৌসিনা মালেম পূম্বগী ওইনা লায়নাসিবু লায়েংবা ঙম্নবা হোৎনবদা অমদি মীওইবা কাঙলূপনা লায়নাসিবু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা অচৌবা তেংবাঙ অমা শোয়দনমক্কী ওইরম্বসু য়ারিবনি। হৌজিকসুনি মালেমসিগী মীওইবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা কোরোনা লায়নাবু মপূং ফানা অমদি ময়েক শেংনা মায়থীবা পীবা ঙমগদবা, অনৌবা হীদাক-লাংথকশিং অমদি লায়েং পথাপশিং পুথোক্লকপদা, মালেম পূম্বসিগী মীয়াম্না হরাও-তয়াম্না ওক্কদবগী ঙাইদুনা লৈরিবসিনি। কোরোনাভাইরসকী মরমদা কূপ্পা খঙ-হৈরবা অখঙ-অহৈশিং কয়ামুক্তা, নৌনা তান্নদুনা শেন্বীরম্বা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপদগী ঙসিগী মালেমসিগী মীয়ামসিনা কোরোনাগী মখূত্তগী নাথৈদুনা মনীং তম্না হিংবা ফংজরিবনি। তশেংনা হায়রবদা, কোরোনা লায়না-লাইচৎকী মরমদা ঙাক্লা চৎনগদবা এস ও পিশিং, মরী লৈনবা কাঙবুশিংনা শেম-শাদুনা পুথোকপীরমদ্রবদি, মালেমসিগী মীয়ামসি নহান্না কোরোনাগী মমাঙদা উৎকী মপৈ তুম্বগুম তুম্নরম্লগদবনি। অদুবু, শুপ্নগী এস ও পি হায়বসি খক্তমক খরা ঙল্লপ খঙহৌবদগী ঙসিগী মালেমসিগী মীয়াম্না কোরোনাগী মখূত্তগী মথ্বায় কঞ্জহৌবা ঙম্নরিবনি। সিগী হায়রুরদি হৌজিক্তি কোরোনা লায়না চঙহন্দবা ঙম্বা ভেক্সিনসু পুথোক্লবনিনা, মীওইবনা কোরোনাবু কিনরম্বদু খরা মখৈদি হন্থহনবসু য়ারবনি। ভেক্সিনসু লৈঙাক্লা লেম্না কাপ্পীরি, তাঞ্জাসিদা হীদাকসি কাপথোকহৌবা খক্তনা, কোরোনাগী খূবাক্তগী থৱায়শিং কলহৌগদৌরিবনি। সিদগী হেন্না ফবসিবু কদাইদা অমুক লৈরমখিদৌরিনো?

হৌজিক-হৌজিকসি মণিপুরদা লৈঙাক্লা লেম্না ভেক্সিন কাপথোক্লুরাও হায়দুনা নুমিৎ খুদিংগী মাইক্তা, লম্বী-কোম্সাং থুংনা লাওরবসু তানা-তানা কোরোনাভাইরস নাদনবা ভেক্সিন কাপ্পা থোক্লকউ য়াদবা মীওইশিং য়াওরিবসি ঙকত্রিবরা? অহানবদদি অসিগুমবা মীয়ামগী ৱাখলসি থোইনা লুনা খন্নরমদবনি। অদুবু হৌজিক্তি য়াম্না লুনা লৌনরক্লে। মরমদি মখোয়গুম্বা কয়া'মনা ভেক্সিন কাপ্পু হায়বা য়াদবসিদা, মালেমগী ওইনা কোরোনাভাইরস হায়বা লায়না মখলসি ময়েক শেংনা মায়থীবা পীদুনা মপূং ফানা তাম্হোকখিসি হায়বসিদা হেক্তা ফরক তারক্কদৌরিবনি। অমুক মখা থোইনা তানীংঙাই লৈত্রে। হঞ্জিন-হঞ্জিন, ভেক্সিন কাপহৌদ্রবদি তমথীরবা কোরোনাভাইরস লাইচৎসিগী মখয়াত্তগী থৱায় কনবা ঙমহৌরোই হায়বসি হায়দুনতা লাকখ্রবনি। ফীভমসিদা কনানা লমজিং-লমতাকপীরগা কোরোনাগী পাক্লবা ঈপাকসিবু মথন্তা ইরায়-লায়না লাম্থোক্কনি খল্লম্লিবনো? খঙদবগীবুদি লাইনসু শাউদে, মমিৎ উদবা তাইবঙ মীগী মমাঙদা শোলে-বোলে তৌদুনা কাতুক-কারল চৎলুবা ভুট মচাশিংদু মমৈথংদদি মমিৎ তাংবা তাইবঙ মীদুনা মকোক্তা নেৎথরকপগী ৱারী লৈরিবনি। মদুদা ভুটতুনসু মানা লাঞ্জরুবনিনা মিৎতাংবদুদা খক শাউখিদে। অদুবু, খঙনা-খঙনা মরন্নাই মথন্তনা খুদি থিজনবগী থৌদৌ য়াবদি লাইনসু য়ারোই, মীনসু য়াদে। হন্দক্কী মতাংসিদা, অসুক কন্না, লৈবাক-পুঙজাও থিনবা মখৈ, ভেক্সিন কাপথোকহৌসি হায়দুনা লম্বী-লমজাও থুংন কোয়লাউ-লাউরবসি ফাওবদা ভেক্সিন কাপথোকহৌসি য়াদবা মীদুদি অমুক হন্না অতৈ পান্বেশিং শীজিন্নরুদ্রসু য়ারনি। হায়নৈ হায়বগী ৱানি, হৌজিক্কী মতমসিদা কোরোনানা অমত্তা ঙাইরবা নিংথৌরেলনি মালেমসিগী। মাগী ৱা খক্তনি ঙসিগী মালেমসিগী মীপূম খুদিংমক্তা তাগদবগী ঙাইনরিসি। মালেমগী অকনবা পূন্নমক্তা অমত্তা ওইনা পুল্লপ পুনশিনমিন্নরবসু, মখোয় পূন্নমক্তা মালেমসিগী নিংথৌরেল ওইরিবা কোরোনাভাইরস মাগী মখোঙখাদা নোঞ্জরগদবা ঙাক্তনি। ৱাফমসি নত্তনা মখোয়দা শুপ্নগী ৱাহৈ অমা ফাওবা কম্মেন্ট পীনীংঙাই লৈতে। শিবা হায়বসি অমুক হন্না হল্লকপা শুক্লে-লৈররোইদবা লম্বী অমদা চৎপনি হায়বসি চৎনরকান্দা খঙলকপা হায়দুনি।

ঐখোয় ময়াম্না ঙাইহাক লৈতনা লাউনরিবসি, কোভিদ-১৯ হায়বা মহীকসি মালেমসিদগী মপূং ফানা অমুক্তং মুথুৎমিন্নখিসি হায়বা নৎত্রো? কর্ফিয়ু মতম ফনা শাংনা থল্লক্লবসু লমদমসিদা, কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা মীগী মশীংদি নুমিৎ খুদিংগী, নোংমতসু খক হন্থরকপা লৈত্রে। সিদি ঐখোয় পূন্নমক্লসু পূন্না উমিন্নরবা নৎত্রো? কোরোনাভাইরস হায়বা লায়না মখলসিবু ঐ, ইশা-ইতোমতমক নাজগে হায়বদা য়াবা লায়না মখল অমরো? অমুক্তং মুন্না খন্থমিন্নবদি চুমগনি খল্লি-কো। ●

# মালেমগী অঙৈং–অশাগী খল কায়থরকপা

**- সোটিনকুমার -**

চহী অমগী মনুংদা কালেম্থা, নোংজুথা অমসুং নিংথমথা হায়বা মালেমগী মহৌশা খোঙচৎনা থোকহল্লিবসি মায়োক্লনবা অয়াম্বনা থোক্লগদবা অঙৈং–অশাগী  মওং অদুদগী ঙাকথোক্লবা মাঙজৌননা পোৎলম কয়া পৈশিন্দুনা থম্নে। কালেম্থাদনা অপাবা ফিজোল, নুমিৎকী মৈশা খাংনবা ইলেক্ট্রিক্ট ফেন নত্রগা এয়র কন্দিসনর পান্নবা, অশিনবা এঞ্জাং নত্রগা অচম্বা মনা মশিংনচিংবা শীজিন্নরি। নোংজুথাদনা চৎথোক চৎশিনদা অকায়বা থোক্তনবা রেন কোট, ছাতিন নত্রগা মতমগী খুৎলোয়রবা অনৌবা পোৎলম কয়া শীজিন্নবা ফংলি। নিংথম থাদনা অয়ুক, নুংথিলদা ঈংহন্দনা হকচাং লুম্না থম্নবা ৱিন প্রুভ জেকেট, কোট নত্রগা ফর জেকেটনচিংবা কয়া শীজিন্নরি। অসুম্না মহৌশা খুৎশেমগী অইং অশাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনদুনা লাক্লবসু হৌখিবা চহী ২০ রোমসিগী মনুংদা অইং অশাগী খল চাউনা অহোংবা অমা লাকপসিদা হান্না শীজিন্নরম্বা ফিজোল নত্রগা অতৈ পোৎলমশিংদু করিসু কান্নদবগুম উবা ফংলক্লে।

অঙৈং অশাগী খল হোংলকপা হায়বসি মীওইবদা মাঙজৌননা শাহুম খরদি পীদুনা লাকই। করিগুম্বা অকনবা নুংশিৎ অমা লাকপদা মখোল হৌবা খুদম পীরকই। নোং কন্না চুবদসু অখাক অরাও, নোংথাং নত্রগা অমুবা লৈচিলগী কুয়োম উবা ফংই। অকনবা নুংশিৎ নত্রগা নোং নুংশিৎ লাক্লগনি খঙলবসু মশা ঙাকথোকচনবা খুদোংচাবা য়েংবগী তাঞ্জাদুদি হৌজিক্কী মতমসিদা উবা ফংলক্লিবা অহোংবা অসিনা পাঙ্গল লৌশিং পুথোকপা ঙম্নরক্ত্রে। অঙকপদগী হেন্না ঙক্লবা অঙৈং অশাগী খল কায়থরকপগী য়ান্না চাউনা অমাঙ অতা থোকহনখিবা থৌদোক খরসু হৌখিবা চহী ২০ সিদা উবা ফংনখ্রে। কুমজা ২০০৩দা য়ুরোপ লৈবাকশিংদা য়াম্না কা হেন্না শাবা নুংশিৎকী শাফু অমা থেংনখি, ওষ্ট্রেলিয়াদনা কুমজা ২০০৯দা য়াম্না শাবা নুংশিৎকী শাফু অনীরক, কুমজা ২০১০দনা রুসিয়াদা, কুমজা ২০১২দা য়ু এস এদা অমসুং কুমজা ২০১৩দা ওষ্ট্রেলিয়াদা কা হেন্না খাংবা ৱারবা অশাবা নুংশিৎ মায়োক্লখি। জঙ্গল কয়া মৈ চাকপা থিংবদা লৈঙাক্কী অৱাবা হেঙ্গৎখি। মসিদগী ক্লাইমেট সাইন্টিষ্টশিং মকোক শাবা হেল্লকই। য়ানৈ, গ্রিন হাউস গ্যাস থাদোকপা হেল্লকপদগীনি হায়না। মীয়ামনসু ঈ–পাউদা অঙৈং–অশা (ঈশিং নুংশিৎ) গী মরমদা খৌরাংনা তানীংবা হেল্লকই, পুন্সিদা অকায়বা থোক্তনবা।

সাইন্টিষ্টশিংনা থাজনবগী মতুং ইন্না চহী ১০০০ খুদিংগী অশাবা নুংশিৎ থেংনগনি। অদু হৌজিক উবা ফংলক্লিবসি চহী ১০০০গী মনুংদা নৎত্রে চহী ১০গী মনুংদা ৩/৪ দি মায়োক্লরে, মীওইবা খুন্নাইদা চাউনা শোকহল্লে। মনা মশিং, মহৈ মরোং কয়া ঈকং থোকপদগী পোথোক হন্থহল্লে, শেম্থোক হন্থহল্লে। কুম অমদা ঈকং থোকখ্রবা মতুংদা খঙহৌদনা নোং খঙ্চু চুবগী চাং ৱাংলকপদা ঈশিং ঈচাও মায়োক্লবসু য়াওদবা নত্তে।

অসিগুম্বা ফীভম অসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্লিবসিদি  মহৌশাগী অঙৈং অশাগী খল অসি হান্নদগী কা হেনবা মওং (এক্সট্রিম) অমদা হোংলক্লে হায়বসিনি। সাউথ ইষ্ট এসিয়া, সাউথ ইষ্ট ওষ্ট্রেলিয়া, সাউথ ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়া, নোর্থ অমেরিকাগী য়ু এস অমসুং ৱেষ্টর্ন য়ুরোপশিংদসু অসিগুম্বা এক্সট্রিম ৱেদরগী ফীভমসি তোয়না উবা ফংলক্লি। ইষ্ট এসিয়াগী লমদমদি নোং চুবগী মওং অসি অঙকপা মওং অমগুম উবা ফংনরক্লে। নিংথমথাদা ঈশিং ঈচাও মায়োক্লবা, থা অমরোম তুংদুনা লৈবা ঈশিংগী শরুক চিংথোকপা নত্রগা চিংথোকপা ঙমদবগী চৈথেং কয়াগী মথক্তা অকনবা ঈরৈনা মাঙ তাকহনখিবা য়ুম–কৈ, থোং অমদি লম্বী কয়া শেমজিন শাজিনবদা অৱাবা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা মহৌশা খুৎশেমগী খুদোংথিবা কয়া থোরক্লিবসি মালেম অসি অশাবা হেঙ্গৎলকপদগীনি হায়না এনভাইরোনমেন্টেলিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লরকপা চহী য়াম্লক্লে।

হৱায়গী মৌনা লোয়াদা লৈবা অর্থ ওভজার্ভেসননা শুন্দ্রংদা থম্লিবা সেটিলাইট, সমুদ্র ঈরোন্নুংদা থম্লিবা বেয়িস, রিসার্চকী জহাজ, বেল্লুন অমসুং অতোপ্পা ওভজার্ভেটরি ১০০০ রোম হেনবদগী খোমজিনবা দাটাশিং নৈনবদা শাবগী চাং হান্নদগী হেঙ্গৎলক্লে হায়না রিপোর্ট অমা পুথোকখ্রে। মসি নুংশিৎকী কুয়োমদা কুইরবা মতমদগী গ্রিন হাউস গ্যাসকী শরুক লেপ্তুনা ৱাংখৎলকপা মরমদগী থকতোকখিগদবা নুমিৎকী মৈশা অদু ফাজিন্দুনা থম্লকপদগী শাবগী চাংসি হেঙ্গৎলকপনি। অসুম্না শাবগী চাং ৱাংখৎলকপা মতমদা নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাংসু ৱাংলকই। তোঙান তোঙানবা ওবজার্ভেটরিশিংদগী খোমজিনবা দাটাশিং নৈনবদগী নুংশিৎকী কুয়োমদা শাবা হেঙ্গৎলকপা অসিনা সমুদ্রগী ঈমায়সু শাবা হেঙ্গৎলকই হায়বা খঙবা ঙম্লে। লোয়ননা আর্টিক লমদমদসু শাবগী চাং হেঙ্গৎলকই। কুমজা ২০০৫দা ফারেনহৈট দিগ্রি ৫৮.১২ রোম শাখিবা খ্বাইদগী ৱাংবা শাবগী চাং অদুমক কুমজা ২০১০দা শাখিবা চাংনা ফারেনহৈট দিগ্রি ১ হেন্দুনা রেকোর্দ থুগায়খি। য়ু এসকী ভর্জিনিয়াদা লৈবা সেন্টর ফোর ক্লাইমেট এন্দ ইনর্জি সোলুসনগী সেনিয়র সাইন্টিষ্ট জে গুল্লেজনা হৌখিবা চহী ২৫গী মনুংদা সেটিলাইটশিংদগী লৌবা দাটা খোমজিনবদা নুংশিত্তা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং অসি চাদা ৪গী চাংদা হেঙ্গৎলকপগী ৱাফম ফোঙদোকখি। নুংশিৎতা ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংখৎলক্লিবমখৈ খঙহৌদনা অকনবা মওংদা নোং চুরকই, ঈশিং ঈচাও থোকহল্লি। চৎলিবা চহীচা অসি লোইরকপদদি মালেমগী ওইনা শাবা হেল্লকপগী চাং অসি ফারেনহৈট দিগ্রি ৩গী চাংদগী দিগ্রি ৮গী চাংদা শাবা হেঙ্গৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু মহাক্কী রিপোর্ট অদুদা পল্লি।

কুমজা ২০১০গী মে ১দা য়ু এসকী তেন্নেসেসদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওগী শক্তম অদু হঙ্গৎনা নৈনরবদি থাজদবা মওংদগী করন্না অদুক শাত্থিরবা ঈচাও অদু থোরকখিবনো হায়বদু খঙবা ঙমগনি। নুমিৎ অদুগী অয়ুক অঙনবদা অঙৈং অশাগী পাউদা ইঞ্চি অনীদগী মরি ফাওবগী চাংদা নোং চুরবা য়াই হায়না মীয়ামদা খঙহনখি। অদুবু নুমিৎ য়ুংবা মতুংদদি ইঞ্চি ৬ হেন্না চুরকপদগী খঙহৌদনা ইচুম্না অঙকপা ঈশিং ঈচাও অমা থোকহল্লকখি। লাসভিল্লে সিটিগী মেয়র কার্ল দিন্না ইমর্জেন্সি কম্যুনিকেসন সেন্টরদা পাউ লৌনবদা খঙহৌদনা হৌরকপা ঈশিং ঈচাওনা কার অমসুং অরুম্বা ট্রক কয়া চেন্থদুনা অমনা অমগী মথক্তা লোনখৎপা নত্রগা থেংগায়নবগী অশেংবা শক্তম টেলিভিজন পাউদা উৎলকখিবা থেংনখি। সহর অদুগী খা নোংপোক থংবদা চেনবা কম্বরলেন্দ তুরেলগী ঈশিং ঈচাও অদু অরুবা ফিভম অমদা লাকহনখি। লাইট হাউস খৃষ্টিয়ান স্কুলগা নক্কনা লৈবা ফিট ৪০ রোম শাংবা থাংদোক থাংজিন য়াবা য়ুম অমসু তুরেলদা তাউথরকপগী শক্তম উৎলকখি। নুমিৎ অদুদা য়ামদ্রবদা ঈশিং ঈচাওগী অমাং অতা, মীশি–মীনা খঙনীংনা হংলকখিবা মীওই ৯১১ রোমগী টেলিফোন লাকখি।

নুমিৎ অদুগী মতুংদা পুন্না চুখিবা নোংগী চাংসি ইঞ্চি ১৩ রোমনি। মসি কুমজা১৯৭৯দা থোকখিবা হরিকেন ফ্রেদরিক অদুদগী ৬.৬ হেল্লবনি। কম্বরলেন্দ তুরেলসু খুদোংথিবা থাক্তগী ইঞ্চি ১২ ৱাং খৎনা চেল্লকখি। ঈশিং ঈচাও অদুনা মাঙহনখিবদু চাওরাক্লা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন অনীরোমগী শেলফমনি। লাসভেল্লি ঈশিং ঈচাও মমাঙদা ব্রাজিলগী রিও দে জেনৈরোদা নোংমখক লেপ্তুনা নোং চুবদা ইঞ্চি ১১ রোম চুখিবগী রেকোর্দ লৈখি। লাসভেল্লিগী থৌদোক্কী থা অহুমগী মতুংদা পাকিস্থান্দা ঈশিং ঈচাওনা মীওই মিল্লিয়ন ২০ রোমগী লৈফম মাঙহনখি। হৌজিক ফাওবা মখোয়বু লৈতানা খুন্দাহনবা ঙমদ্রি। অঙৈং অশাগী খল কায়রকপদগী থোরকপা অমাং অতাগী শেলফমসি য়ু এসতদি কুমজা ২০১২দা চাওরাক্লা য়ু এস বিল্লিয়ন ১ রোমনি। হরিকেন কার্টিনা, হরিকেন সেন্দ ষ্টোর্ম অমসুং হন্দক্তা অমুক্তা উখিদবা মওংদা স্নো ষ্টোর্মগী চৈথেং ফংলবা য়ু এসনি।

মথক্কী অসিগুম্বা খুদোংথিনিংঙাই মশক ওইরবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি সমুদ্রগী অৱাংবা ইথক ইপোম (সুনামি) করন্না থোরক্লিবনো? ৱাহং অনীসিগী মতিক চাবা পাউখুম লৈজৈ। মমাঙ চহীশিংদা উবা ফংখ্রবা মহৌশা খুৎশেমগী অমাঙ–অতা কয়াদু মহৌশাগী খুৎশেমগা শাগোন্নজবা এল–নাইনো (সমুদ্র ঈরোন্নুংগী অশাবা ঈশিংগী ঈচেল) অমসুং লা–নাইনা (সমুদ্র ইরোন্নুংগী অঙৈংবা ঈচেল) হায়বা অনীসিগী অহোংবা লাকপদগীনি হায়বদু সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে। ইক্যুয়েটরগী লমদম ওইবা পেসিফিক মহাসাগর অসিগী অকোয়বদা লৈবা লৈবাক কয়াদা নত্তনা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদসু চাউনা অমাঙ –অতা থোকহল্লিবনি হায়রিবা পেসিফিক মহাসাগরদা এল–নাইনো অমসুং লা–নাইনা অনী থেঙ্গাইনবদগীনি। এল–নাইনোগী খোঙচৎ অসি ময়ায় থংবা পেসিফিক মহাসাগরদা চাউরবা পুখ্রি অমগুম শেল্লকই অমসুং খা অমেরিকা তম্না শন্দোরকই। অদুগা লা–নাইনাগী মতমদনা নোংচুপ থংবা পেসিফিক রোমদা শন্দোরকপদা ঈশিংগী অশাবা হেঙ্গৎলক্তুনা মনিল (লৈচিল) ওইনা থাদোকপগী চাং ৱাংলকই অমসুং য়াম্না খোঙজেল য়াঙবা ঈচেল অমসু শেল্লকই। মসিদগী অখাক অরাওগা লোয়নবা নোংলৈ নুংশিৎ শেল্লকই লোয়ননা অয়াঙবা ঈচেল অদু অৱাং লোমদগী খারোমদা মায়কৈ ওল্লকই। মসিনা নক্লরিবা মহাদেশ অদোমদা অকনবা নুংশিৎকী ঈপোম শেল্লকই। অকনবা নুংশিৎ শেল্লক্লিবসি লা–নাইনাগী ঈচেলদা অপনবা পীরকপদগীনি। এল–নাইনাগী ঈচেলদা অপনবা পীরকপদনা য়ু এস অমসুং খা অমেরিকাগী পেরু লমদমদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ থোকহল্লকপগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়ারোমদনা শাবগী চাং হেঙ্গৎহন্দুনা ঈকং থোকহল্লি অমসুং জঙ্গল–উমং কয়া মৈ চাকহল্লি। লা–নাইনাগী ঈচেলদা অপনবা পীরকপদনা ওষ্ট্রেলিয়াদা ঈশিং ঈচাও থোকহল্লগা য়ু এসকী টেক্সাস অমদি মসিদগী হেন্না লাপ্পা নোংপোক থংবা আফ্রিকা লমদমদা নোং চুবগী চাং হন্থহল্লি হায়বদি ঈকংগা মান্নবা ফিভম থোকহল্লি।

ত্রোপিকেল পেসিফিক লমদম অসিদা এল–নাইনো অমসুং লা–নাইনা অনীগী থেংজিন্নফম ওইবদগী অকনবা নোং নুংশিৎ থোকহনবনা ওইরবসু মহৌশাগী ওইবা ঈশিং নুংশিৎকী অহোংবা লাক্লিবসিগী অতোপ্পা মরম খরসু লৈ। আর্টিক ওসিন হায়না খঙনবা উনগী লমদমসি কুমজা ১৯৮০ দগী হৌজিক ফাওবদা চাদা ৪০ গী চাংদা ময়েং তাথরক্লে। নিংথম থা মমাঙদা লমদম অসিগী শাবগী চাংসি ফারেনহৈট দিগ্রি ৩.৬ য়ৌরক্লে। মসিনা মমাঙ চহীগী নিংথমথা মতমদা অৱাং অমেরিকাগীদা থোইনা ঈংখিদে। অদুগা য়ুরোপ্তনা কা হেন্না ঈংখি। লোয়ননা উনগী নুংশিৎ মায়োক্লখি। কুমজা ২০১৯–২০গী নিংথম থাগী মতমদা অৱাং অমেরিকাগী লমদমদা উন থানা তাখি। মসি আর্টিক ওসিন্দগী ঈশিং ওনখ্রবা অঙৈংবা ঈচেল অদুদা অশাবা নুংশিৎ চিং শিল্লকপদগীনি। শৌদোক্লবা উনপাক কয়াসু হায়রিবা মহাদেশ অসি তম্না চঙশিল্লকই। মসিসু এক্সট্রিম ৱেদরগী মরম অমনি। মরম খিবিকশিং অসিদগী ঐখোয়না অইং অশাগী খল মখা তানা কায়থখিদনবা লোয়ননা মালেমসি মথং মথং লাক্কদবা তুংগী মীরোলশিংনা লৈতানা হিংহৌবা য়ানবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎপদা থিন্থফম থোক্তে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।